ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ১৬, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৬২শুবা মশীং

# লায়েংবগী অনৌবা মায়ওন

### *পুন্সি কনবদগী শেল তানবনা মরুওইনা লৌনরকপা*

**বেঙ্গলুরুদা** হন্দক্তা মেদিকেল সেন্টরশিং অমসুং ডোক্টর খরা লৌতুনরগা অরানবা মওংদা য়াম্লবা শেনফম তাল্লম্বগী থৌওং অমা ইনকম টেক্স ডিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা খঙলকপা লৈখ্রে। ইন-ভিট্রো ফর্টিলাইজেসন (আই ভি এফ) ক্লিনিক অনী অমসুং ডাইগ্নোষ্টিক সেন্টর মঙাদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা অরানবা মওংদা তানশিল্লম্বা লুপা ক্রোর ১.৪ অমসুং সনা কিলোগ্রাম ৩.৫ ফাগৎপা ঙমখিবনি। মপান লৈবাক্কী য়াম্লবা শেনয়েকশিং (ফোরেন করেন্সি) অমদি লুপা ক্রোর-ক্রোর কয়ানা খুজিং ওইদুনা ডিপোজিট তৌবা ফোরেন বেঙ্ক একাউন্ট কয়াসু থেংনখি। কদায়দগী কমদৌনা তানবনো খঙদবা লুপা ক্রোর ১০০ রোমসু থেংনখিবগা লোয়ননা ডোক্টর অমদি ডাইগ্নোষ্টিক সেন্টরশিংগী মরক্তা থম্লবা শেল তানবগী অরোনবা মরী অমসু খঙলকখি। অনাবশিংবু ডাইগ্নোষ্টিক সেন্টরদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী টেষ্ট তৌনবা থারকপগীদমক ডোক্টরদা কম্মিসন পীবগী চৎনবী লৈ হায়রি। চাংচৎতা এম আর আই (মেগ্নেটিভ রেজোনেন্স ইমেজিং) টেষ্ট অমা তৌহনবগী চাদা ৩৫ অমসুং সী টি স্কেন তৌহনবগীনা চাদা ২০ ডোক্টরশিংদা পীরম্বা থেংনখি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থিগৎলকপদা খঙবা ঙমদনবগীদমক ডাইগ্নোষ্টিক/লেবোরেটরি সেন্টরনা ডোক্টরদা পীরিবা কম্মিসনগী শেনফম অদু প্রোফেসনেল ফী হায়না একাউন্ট বুকতা চঙলমখি। মসিদসু নত্তনা নোংমতা ডাইগ্নোষ্টিক সেন্টরদা লাক্কুনা পেসেন্ট য়েংবগী থবক তৌদবা ডোক্টর কয়া ইন-হাউস কন্সলটেন্টনি হায়জিল্লম্বা থেংনখি। চেঙ্গুম শৌবগুম নোংমা নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লিবা কোর্পোরেট হোস্পিটালশিং, হিদাক পুথোক্লিবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিং অমসুং ডোক্টর খরগী মরক্তা অরোনবা মরী থম্লরগা অনা-লায়েংবগী থৌওংবু অচৌবা শেন্দাল লন্বী অমা ওন্থোক্লে হায়নরক্লিবসি কদায় ফাওবা চুম্বগে হায়বা থিজিনবগী তঙাইফদবা মতম য়ৌরক্লবরা খল্লি।

অভয় শুক্লা অমদি অরুন গদ্রেনা ইবা 'ডিসেন্টিং ডাইগ্নোষ্টিক' কৌবা লাইরিক অমগী মতুং ইন্না ময়াই ওইরপ শেল পায়রবা মীওই ফাওবা অমুক্তং অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা কোর্পোরেট হোস্পিটাল, ফার্মাস্যুটিভ কম্পেনি অমসুং ডোক্টর খরগী অরোনবা লাংদা থুবদগী য়ুম-ইঙ্খোল য়োনবা ফাও য়াওনরে হায়রি। মালেমদা মতিক-ময়ায় লৈরবা লৈবাক অমা ওইরকপগা লোয়ননা মার্চ প্লানেটতা রোকেট থাগৎপা ঙল্লে অমসুং শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা খঙ-হৈরবা ডোক্টর অমদি হিদাক-লাংথক কয়া পুথোকপা ঙল্লে হায়না মখৌ পোঙজরিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদা অনা-লায়েংগী শিনফম্বু শেন্দাল লন্বী ওন্থোরকপদা থিংবা ঙমদবা হায়বসি লাইবক থীবনি হায়না লাইরিক অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি অচৌ-অচৌবা ইন্দিয়াগী সিটিশিংদা অনা-লায়েংবগী থৌওংবু অচৌবা শেন্দাল-লন্বী অমা ওন্থোকপগী মওং অসি মণিপুরদসু চৎনরক্লবরা হায়বসিনি। হোস্পিটাল ওথোরিটি নৎত্রগা ডোক্টর অমসুং পেসেন্ট পার্টিশিংগী মরক্তা হেক-হেক নিংঙাই শংদানবগী থৌদোক তোয়না থোরকপা মরম্না কদায়দনো-করিনো অশোয়বা অমদি লৈরে হায়না লৌফম থোকই। অনাবগী থৌগল তৌবা লাক্লিবা পেসেন্ট পার্টিনা ৱাখল তাবা ৱাৎপদগীরা নৎত্রগনা মেদিকেল ইথিক্স ঙাক্তবা ডোক্টর কয়ামরুম লৈরবরা হায়বদু চপ চানা খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈরবরা খল্লি। মেদিকো কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই) না শেম্বা কোদ ওফ মেদিকেল ইথিক্সকী ৱাংমদা মরম চাদবা মওংদা মখল কয়াগী টেষ্ট তৌহল্লব্রা হায়বদুসু খঙদোকপা চুম্মী। গভর্নমেন্টকী মেদিকেল কোলেজ, নৎত্রগা হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা ডোক্টর অমনা লন্নাই ক্লিনিক, নৎত্রগা কোর্পোরেট হোস্পিটালদা চৎতুনা শেল তানবা য়াদে; শেল পীদে হায়বগীদমক অনাবা অমবু লায়েংদবা য়াদে অমসুং অনাবগী পুন্সি কনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইগদবনি হায়বা ৱাফম এম সী আইগী কোদ ওফ মেদিকেল ইথিক্সতা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। মদুমক্কনি এম এল এ/মিনিষ্টরশিং ফম পায়রমদাইদা ৱাশক লৌবগুম ডোক্টরগী শিনফমদা খোঙদাগদবা মীওই খুদিংমক অনাবগী থৱায় কনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইগনি হায়না গ্রেজুয়েসন হেক লোইবগা ৱাশক (হিপোক্রেটিক ওথ) লৌহল্লিবা। মসিমক্ক া ডোক্টর খুদিংমক শেরান্ননা লৌবদি চুমদে। অদুম ওইনমক তাইবঙ মপুগী হেক ঙমথংদা লৈ হায়না লৌনরিবা, লেমজনিংঙাই ওইরবা ডোক্টরগী শিনফমবু মীংচৎ থীহনবা মীওই খরা লৈরবরা হায়বদু ময়েক শেংনা থিদোকপা মথৌ তাই হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# প্রেস ক্লব ওফ মণিপুর হায়বা সাইনবোর্দ অমা থেৎপীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মণিপুর মীয়াম্না ঙাইহাক লৈতনা প্রেস ক্লব, প্রেস ক্লব হায়বা ৱাহৈসি পাউচেশিংদা, রেদিওদা, টি ভিদা য়াম্না তোয়না তানরি। থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী, নুংতিগী ফোঙদোকফম-পাঙথোকফমসু ওইরিবা মফম অমসু ওইরি। মীয়ামগী অসুক য়াম্না মরু ওইরিবা মফম অসি কদায়দা লৈ হায়বসি চপ-চানা খঙদবা, মী ময়াম অমসু লৈরল্লি। ইম্ফালগী মেজরখুল এরিয়াদনি হায়বসি খঙনরবসু, কদোমদা চঙই, গেটনা কদায়দনো, চপ-চাবা বিল্ডিং অদু করম্বনো খঙদবা য়াম্না লৈরি। খঙদবশিংগী মরক্তা লাইরিক-লাইশু হৈরবা, হৈরবী কয়াসু য়াওবা থেংনজরে। মমীং তারবসু চপ-চাবা শকওং-শক্তম খঙদবা ময়াম অমা লৈরি। চংলিবা লন্বীদুগী মনাক্তা **প্রেস ক্লব ওফ মণিপুর** থাবা সাইনবোর্দ অমখক্তা থেৎপীয়ু।

সাইনবোর্দ অদুগী সাইদ অনীমক্তা **প্রেস ক্লব** ইবীয়ু। খঙদবা হায়বসি খঙদবনি। পুন্ন মক্লা হেক্তা খঙলমগনি হায়না খনবসু লানবা য়াওনৈ। ৱাফমসি মণিপুর মীয়ামগী ওইবা ৱাখলনি। য়ারবদি ফজখ্রবা সাইনবোর্দ অদু মীদিয়াগী মরী লৈনরিবশিংনা হেন্না অফবা মওংদা উৎথোকপীরক্কনি খঞ্জে।

*অদোমগী* - ঐচ শরৎ সিংহ
লেফটিনেন্ট কর্নেল (রিটয়ার্দ)
সেক্রেটরি, রাজ্য সাইনিক বোর্দ, মণিপুর

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি থায়না কোনুংদা লৈরম্বা লোইশঙ অনীগী মমিংনি। মথৌ করি করিনো? তেন্না হায়য়ু:
(ক) চৈরাপ (খ) গারোৎ।

২। "সনামহী ঙৌবরেন/ফূহিং সনা লাইজরেন/শনজিং ফম্বাল মহীরেন।" পরেংশিংসি লাইনিংহল ফুল্লোগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৩। কুমজা ২০০৩দা ঐখোয়গী খোরিরোলদা নেপালি অইবা অমনা 'কোরৌগী মশেক মঙাল' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা খুদোল তম্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মুতুম দেবলাগী 'রোমিতা' না থেংনরিবা সমস্যাসি হৌজিক্কী অনৌবা নুপীগী সমস্যানি।" ৱাফমসি ক্রিটিক অমনা হায়বনি। দেবলাগী উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কুমজা ২০১১দনা ত্রাইবেল অইবা অমনসু 'ঈচেলনা কংলবদি কোঙ্গোলসু তাকখিনি" কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু পুথোল্লককই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২ গী অচুম্বা পাউখুম কয়া য়াওদবনা ক্যুইজ অসি অমুক হন্না মীয়ামদা থমজরি।*

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

# রিদ ওর দাই

## (দিসেম্বর থানা ফজবগী মরম)



**দু** ওর দাই হায়বদি তৌগদবা অদু তৌরো, তৌরো নৎত্রগনা শিজখ্রো। য়াম হায়নবা ৱানি। মসিগী মহুৎতা রিদ ওর দাই হায়বদি লাইরিক পারো, পারোই হায়রগনা অদুম শিজখ্রো।

চহী ২০ লোমগী মমাঙদা লৈখিদ্রবা য়াইঙংপোকপীগী ওজা কোন্সম মনিবাবুনা হায়বিরম্বদগী তাজহৌবা ৱাহৈনি - রিদ ওর দাই, লাইরিক পারো, পারোই হায়রগনা তাইবঙপালদগী বিদাই লৌজখ্রো হায়বা ৱাফম অসি।

নোংমসু কনানো মমিংদি নীংশিংজদ্রে - অইবা অমনা হায়খি নীংতম্বা পুরক্কে হায়রবদি ঐখোয় লাইরিক পাবা তাই, লাইরিক পাদনা নীংখা তম্বা ফংলোই। লাইরিক্লা ঐখোয়দা থৌনা-লৌশিং হাপ্পজাৎনি হায়না খঙঙি অমদি খল্লি ঐসু। পাদনা য়েংবা অমদি তাবা ঙাক্লা মপূং ফানা খঙবা হায়বসি অরুবা অমা ওইরমগনি হায়বা য়াই।

অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক পাবা য়াম তনখি। লৌবুক্তা য়োপাক অমনা হুমাং তাবমখৈ কাওথ্রুম তানবনা হেন্না নুংঙাইজখি। পানীংদদুনা লাইরিক হায়বসি মথৌ লৈতবা কনানা থৌরৈতনা পুথোল্লকম্বা পোৎনো হায়না য়াম শাওনীংখি। লাইরিক হৌদোল্লকম্বা মীশক অদু মমায়দুদা কিন্না থিন্নীংখি। হৌজিক্তা পানবা মতম লৈত্রবা মতম অসিদা লাইরিক য়াম কন্না পানীংলক্লি। ঐগী নৎত্রগা অদোমগী হৌখ্রবা চহী য়াংখৈগী পুন্সিদা লাইরিক মতেক মতেক দনি দদৌনা পাখিবা কয়াদু পুনশিল্লগা চহী মঙা শুনা লাইরিক পারমদৌ মান্দে। চহী য়াংখৈ হিংবা মীশক অমনা চহী কুন্থ্রা অমা নিফু অমা লাইরিক পাদনা হৌখ্রে। হৌখিবা চহী কুন্থ্রা নিফু অদুদা চহী তরাদং লাইরিক পাবা মী ওইরম্লবদি কয়াম মওং তাবা মী অমা ওইরম্বা য়াই।

হৌজিক্তি লাইরিক অসি পানরিব্রা? হৌজিক্কী অঙাংশিং লাইরিক য়াম্না পারে। চেদা মুক্লা ইবা, নম্বা অসিখক্তনা লাইরিক নত্তে হায়বা তারবদি। ফিল্ম য়েংলিবা, ম্যুজিয়ম চঙলিবা, লম কোয়রিবা, ইন্টর্নেটতা সর্ফিং তৌরিবা পূন্নমক লাইরিক পাবনি হায়বা তারবদি হৌজিক্কী মতমগী অঙাংশিং লোইনা লাইরিক পাই হায়দবা য়ারক্তে। লৌশিংগী মেদিয়ম খেন্নবগী ৱাদনি, চেদা পাবখক্তনা লাইরিক্লা? হংবা য়াবা ৱাহংনি। চেগী লাইরিক্কী মহুৎ শিনবীনবী য়াম্না থোরক্লি। অপাম্বা ফোটো, অপাম্বা টোপিক, অপাম্বা ভিদিও খুদক খুদক্তা লোইনা ফংলবা মতমনি। য়াম্না নুংঙাইরে লাইরিক্তগীদি মসিনা হেন্না থবক য়াঙবা ৱাৎত-পাদবা হেঞ্জিল্লকপগুম তৌরি।

লাইরিক য়াম তাঙই। লাইরিক অমত্তনা য়ারক্তে। অহোঙবা পোৎ থিরকপদা ইন্টরনেট হেক্তা মতারকই। খ্বাইদগী চাউবা লাইব্রেরিনি। ইন্টরনেটতা পারিবা ময়ামসিদি উদি উবিদনা অঙাংশিং লাইরিক পাদ্রে পাদ্রে হায়না চৈবিরে হায়না নোংথোন্বম বোইনাউনা মপাদা ৱাকৎলকপদগী ঐনা খঙলকপনি। বোইনাউ হায়রিসি মখোয়গী স্কুলদা ক্লাস নর্সরিদগী ক্লাস টেন ফাওবা মকোক্তা থোংদুনা লাকপনি। মাদি চেগী লাইরিক্তখক্তবু লাইরিক্লি হায়বসি য়াম কন্না য়ানীংহৌদ্রি। হৌজিক্তি ই-বুক্কী মতমনি ই-বুকসু লাইরিকনি, মাবু লাইরিক পাদে হায়বীনুকা য়াম কন্না হায়রি। থাজবা য়াই। চুমসু চুম্মী। লাইরিক অফবা অমদা লুপা ১০০০দগী তাবা লাইরিক লৈরক্ত্রে, লাইরিক অমত্তনা ওকপসু নৎত্রি। মহৈ তম্বা ঙমদবগী ফীভম লাক্লে, লাইরিক তাঙলে, ফী (অতম্মল) তাঙলে, য়ুনিফোর্ম তাঙলে, গাড়ী ভারা তাঙলে... লাইরিক পাবা ঙমদ্রে। লাইরিক পাদে হায়না চৈবীবা য়াদে, ৱাখল খজিক্তং খন্থরগা চৈবীবা ফরে।

মীনা পানীংবা, নহানা পানীংবা নহাশিংদা কান্নবা, নহাশিংদা থৌনা-লৌশিং মতমগী লৌশিং পীবা লাইরিক পুথোকপীবা তারবদি তাঙলবসু তাঙনা ৱায়নরগতা ওইরবসু পারকপদি য়াই। পানীংবা মচাক্লবু য়াওরবদি মীৎ শোকপমখৈ পাগে হায়রক্কনি। পাদ্রেদনি হায়বিরিবসে অহলশিংনা পানীংনবদি করি তৌবিরি? পানীংনবদি ইতৌ তৌবীদে (ময়াম খন্নবীয়ু)... চানীংবা এঙ্গাং থোংলবদি মীনা শোয়দনা চানীংগনি। শৌগ্রি চানীংবা মীদা মাইরেল থোংবা পুথোরকপদা কনানা চানীংগনি হায়বগে? চানীং চানীংবা অপাম্বা মতমদা পীজবিয়ু। শোয়দনা চাখিনি। ইচাসে চাক চাদ্রে। চাক চাদ্রে হায়না থৱায় ৱাবনা কান্নরমদ্রে। অদুগা লোন্না লোন্না চাক্কী হোটেলদা নৎত্রগা মমান্নবগীদা তোয়না তোয়না চাব্রা হায়বসু য়েংশিনফদে।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে রিদ ওর দাই, রিদ ওর দাই! ঐদি অদুম নীংশংদনা লৈজে। ইম্ফাল বুক ফ্যের হৌরে। অপাম অপাম্বা লাইরিক উরনি। লৈবা ফংলনি। মমলসু খরা তানা ফংবা ... য়াম্না নুংঙাইবা মতমনি... ওহ। দিসেম্বর থানা মশক য়াম্না ফজরিসি করিগীনো ইম্ফাল বুক ফ্যের লৈরম্বননে।

# হৈগী ফেষ্টিবেল তৌবা য়াত্রা

**নবকুমার ওইনা**

**লমদমসি** ফেষ্টিবেলগী লমদম হায়বা য়ারে। লমদমসিগী মীয়ামসু ফেষ্টিবেল অমদা এক্সপোজ তৌরগা লৈবা মাল্লকপদুনি। থবক্তি ইতৌ তৌদবা ৱারীদা লেনবা পুন্সি মাল্লকপদুনি। কিহোমগী, তরবুজগী ফেষ্টিবেল, কোল্লাগী ফেষ্টিবেল, শিংজুগী ফেষ্টিবেল, ঙাগী ফেষ্টবেল, সঙাইগী ফেষ্টিবেল, ফুদ ফেষ্টিবেল ময়ামসিনা লমদমসি ফেষ্টিবেলগী লমদম ওইরে হায়বদি উৎলে। ফেষ্টিবেলগী ফমথক অমদা লৈবগুম্বনি।

ইম্ফালদা তৌবা ফেষ্টিবেল, লম-লমদা তৌবা ফেষ্টিবেল মখল খায়বসু য়ারি। ফেষ্টিবেল তৌবদা উহৈগী ফেষ্টিবেলদি হৈখোঙদা তৌবা মাঙজগনি। ঙাগী তৌবগুম্না ইম্ফালদা চাবিনবা মী য়াম্বা মফমদা তৌবনা চুম্বনি। খ্বাইদগী কান্নবসু উহৈগী ফেষ্টিবেল অমা চহী চূপ্পা মফম অমদা মতম-মতমগী হৈ ফংহল্লবদি খ্বাইদগী ফজবসু ওইগনি। নুংঙাইরিবদি হৈমাংগী ফেষ্টিবেল, হৈনীংগী ফেষ্টিবেল, হৈয়েনগী ফেষ্টিবেল, হৈক্রুগী ফেষ্টিবেল হায়রকপা মতমদা এন্টি ওক্সিদেন্ট পীথকপগী মশা লোয়নমক ফরকপদু উবদনি। হৈতুপ, হৈখা, হৈনৌ, হৈবুং, হৈবী, হৈথুম, হৈত্রোই, হৈরাঙ্গোই, হৈজামপেৎ (হৈ পন্দবা ময়াম অমসু লৈরি), লফোই, কফোই, বোরোই, হৈ খুদিংদা য়াওরিবা মচাক অমসুং কান্নবশিং মফম অমদগী ফংবা তারবদি মীদি অদুমক চঙলক্কনি খল্লি। মমলদি তাঙহনবা চুমদে। ত্রান্সপোর্টকী সবসিদি লৈঙাক্লা পীবা য়াগনি খল্লি। পৈশাসু মাঙলোই, মহি ওইনা খুদক-খুদক্কী বোটলদা হাল্লগা পুনখিবসু য়াগনি। ষ্টোলশিং হাংলগা মোবাইল সিষ্টেম অমদা ৱেদ য়েনবগুম্না য়েনবসু য়াগনি। হৈ মখল মরি-মঙাগী মহী ওইন পূন্না থকপসু ফংগনি, চিনিসু চুহিং ওইনা হাপ্পা য়াগনি। পুং মরি-মঙাগী মনুংদা শীজিন্নবা তাবনি, ষ্টোল অমনা কয়া য়াম্না পাম্বনো পাউ ফাওনরগা অয়ূক, নুংথিল অনীদা য়েন্থোকপা ঙল্লবদি ক্রোর কয়াগী শেন্দানফম হায়বদু ওইবা ঙমগনি। হৈগী কান্নবগী এদ্যুকেসন অমসু অদুমক পীজরগনি। খ্বাইদগী হেন্না কান্নগদৌরিবদি হীদাক লৈবা হন্থরনি, হোস্পিটাল চৎপা হন্থরনি, অরোয়বদা ডোক্তর মশীং হন্থবা য়ারক্কনি। দোক্তর মশীং ৱাৎলি হায়বসি মী খুদিং নাগদৌবনি হায়বদগী হোৎপা মানবগী অরানবা থাজবদু শেমদোকখ্রনি। তশেংবদি নারিবসি চাবা হৈতবগী অয়াম্বনি। ৱাখলদা নাবা, পঙবদগী নারিবনি হায়বসি খঙনরক্কনি। য়ু থকপসু হন্থরকপা য়াই, নাকোয়নননা ক্রাইম হন্থরকপা য়ারিবনি। লায়েং মখল অমনি।

হৈ মহীদুগী মমল ৱাংদনবা, হৈ থাবগী থবক মপূং ফানা তৌদবা য়ারোই, ত্রান্সপোর্ট ফজদবা য়ারোই। টাউন খুদিংদা মেকানাইজ ওইবা মওংদা থৌরাং অসি ষ্টেটকী লৈঙাক্লা লোং-প্লান অমদা তৌবসু য়াগনি, প্রাইভেট ফার্ম অমদা শিন্নথোকপসু য়াগনি। য়ারোইদবদি ঙসি ঙসিমক্কী মীশিংগী থৌওং অমসুং ওফিসারশিংগী ৱাখল্লোন অসিনদি য়ারোই। থবক্কী মতুং ইন্না তোলোব শাবা, অহেনবা মতমগী পৈশা হেনবা, মতম মতমগী হৈ-রাদুগী মমলগী মতুং ইন্না নোংমা নোংমগী মমল লেপ্পা, পুকচেল শেংনা তৌবা ঙল্লবদি মালেমদবু মমিং চৎপা থৌরাং হায়বদু ওইগনি। হৌজিক তৌরিবা ষ্ট্রিট কোর্নরগী ময়ামসিদি সেনিটেসন য়াওদে হায়বা য়ারি। হৈ মখল শুনসু ফংনদ্রিবনি।

মহিক-মতায় চেন্দনবা, ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতনবা, পৱারগী অৱাৎপা লৈতনবা, ত্রান্সপোর্ট ফজনবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী কো-ওর্দিনেসন চঙগনি। এগ্রি নৎত্রগা হোর্টিকলচরগী, মেদিকেলগী, পুলিসকী, লোগী, ৱেথ এন্দ মিজরগী, ফুদ টেষ্টিংগী, মেনেজমেন্টকী এক্সপার্ট কয়া তঙাইফদনা চঙগনি। মিদিয়াগী অচৌবা থৌদাং অমসু লাক্কনি। মালেমগী মীয়াম মমাঙদা লেন্নবা য়াবা থৌরাং ওইবসু য়ারিবনি।

হৈ হায়বসি লৈবাক্তা হৌবনি, লৈমায় চঙদবা য়ারোই। চীংগী লৈমায় ময়াম অরেম্বদা মাঙদুনা লৈরি। পৈশা থোকফম ওন্থোকপা ঙমদ্রি, থবক শুদ্রি। থবক শুদ্রবদি হিংবা শুকঙম ঙল্লোই। থাজবা কয়া লানবা য়াবা ময়াম য়াওরি। লেম্না ফংবা পৈশাতগী খনবা য়ারোই। লৈমায়দগী, লৈনুংদগী লৌশিংনা পৈশা ওন্থোকপা চঙই। লৌশিংগী পাঙ্গল চঙই। মসি খঙদ্রিবমখৈ হিংবা ৱাখিগনি। শম্না হায়রবদা মী মানখিরোই হায়নবদুনি। থবক শুদবশিংনা লায়রহনবনি, তনবদগী মপুক ফৎনরক্তবনি।

মসি পূন্নমক মায় পাক্কে হায়রবদি হিংমিন্নবা চঙই। ৱাখল পূনবা চঙই, পৈশা তানমিন্নবা চঙই। পূন্না থবক শুমিন্নবা য়ানবা লেন্দ-লো শেমদোকপা চঙই। মদুমক নৎত্রিবমখৈ কঞ্জার্বেটিভ নেচর অমদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদনা নূংগী চক অমদা লৈবগুম্না লেনখিবা তারি। ৱাখল্লোন ময়ামসি থুগায়বা য়ানবা য়ু থকপা, দ্রগ চাবগী মহুত্তা হৈ-মহী থকমিন্নরগা খন্থমিন্নবা তঙাইফরক্তবদুনি। য়ু থকপা মীদগীদি হৈ মহী থকপা মীনা ৱাখল থোকপা, ৱা তান্নবা য়াবা হেনগনি। ৱাখল লায়না নারবশিংসু হৈ মহী পীথকপদগী এন্টি ওক্সিদেন্ট ৱাংলক্লবদি ৱাখল চনিং তারক্কনি, ৱারী শাবদসু চানিং তাবা হেল্লক্কনি খল্লি।

পৈশা পীরিবা মীদা শাওবা য়ারোই। পোৎ য়োল্লিবা মীনা পোৎ লৈরিবা মীদা শাওবা তারবদি পৈশা ফংবা লেপখ্রগনি। পোৎ য়োল্লিবা মীনসু মীনম্নরবদি পোৎ লৈবা মীনসু পোৎ লৈবা তোকখিবা য়ারিবনি। চীংদগী পুথরকপা পোৎ য়োনবদা মীনম্বা য়ারোই, শাওবা য়াওরোই, শাওরবদি পৈশা ফংলোই। কোমলা য়োল্লিঙৈ, হৈখা য়োল্লিঙৈ মতমদা পোৎ শিৎনবা, পৈশা ফংনবা খল্লিবা ৱাখলদু কাউবা য়াদবা ৱাফম ওইরকপদুনি, নুংশিনরকপদুনি।



মোরেদগী হৈখা চাবা ওক্ত্রিবরা, বোরোই চাবা তোক্ত্রিবরা, এপল লৈবা তনদ্রিবা করিগীনো, কোমলা হাওরিব্রা? মোরেদগীনি হায়বসি ইকায়বা ফাওরকই। শামু মখোঙগী ৱারী, মোরে মাইরেলনি হায়রবদি পঙলৈদা লৈনখি হায়বসিদা করিনো অমা য়াওরি। মদুনি ইকায়রিবসি। মসি মুখৎকে হায়বা তারবদি হৈগী ফেষ্টিবেল তোয়না তৌবা তারকইবনি। তম্বীগদৌরিবসি ইকোনোমিদুনি, নুংশিননবা ৱারীদুনি। পূন্না লৈমিন্নবদগী পুল্লকপদুনি। হৌজিক হৌজক মাওদগী কিৱি য়োল্লিবসি মীনা কয়া লৈনদবগুম উরবসু ঐ অমগী ইমুং অমদদি নুমিৎ খুদিংগী চাবা ফংনবা লৈবা হৌরে, ৱাখলদদি মোরে থাদোল্লগা মাওগী মী ওন্থোকপদুনি। নুংশিননা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদুনি।

হন্দক্কী কোমলা ফেষ্টিবেলগী পাউ য়েংবদা থৱায় য়াম্না নুংঙাইখিদবসি লৈনাং তারবা লম্পাক অদুগী ময়ায়দা হৈ অমা ফাওবা য়াওদ্রবা ৱাগী খারা হাবদু উবদুনি। হেক্লুরবা কোমলা ময়ামদু কয়াদা মরায়বক থিরবনো, নোংলক্তা কোয়থাং থাংলম্বা তাবনি। লম্পাক অদুদা শো তৌনবগী তারকপদুনি। মদু লাল্লকই, খুদক্তা পৈশা ওন্থোকপা ঙম্নবা হোৎনবদুনা অচুম্বা ৱাখল ওইরকই। ইম্ফালদা তৌরম্লবদি চৎলগা লৈরুবা ঙল্লমগদৌবনি খল্লকই। মফমদুদা খুদক্তা শুম্লগা য়োনবা ওইরবসু পুক পেন্না থক্লুবা য়াবনি খল্লি। মরাল লৈজদবা হৈশিংসিদা পোলিটিক্স তৌশিনবা য়াওরবরা খল্লকই।

মসি পূন্নমকসি হকচাং ফনবনি, পুন্সি শাংনবনি, পৈশা মাঙদনবনি খনবগা মরী লৈনরকই। মপানগী হৈনা মপানগী মীনা য়োনগদৌবনি হায়বসু লৈতবনি। হৈ য়োনবগী থবক্তু লমদমসিগী মীশিংনা তৌফমসু থোকপনি। পোৎফম ফন্বী ইমা-ইন্দোনশিংনা হৈ খরা খিল্লগা নুমিৎ চূপ্পা ফম্বগুম উরি। চৎনবী, লাইগী হৈ য়াওহনবসি নৎলমদ্রবদি ইমা-ইন্দোনশিংগীসি য়োনবা শিৎপগী ৱা লৈতে। অহল ওইরবশিংদা নমদুনা হৈ পীজবগী চৎনবী লাইনীংসি নুংশিবা ফাওরকই। তাঙবদগীনি খঙদে, পৈশা পায়দবগীনি খঙদে হৈশিংদু খায়রগা মচেৎ মচেৎ তুমিৎ-হয়িং ইল্লগা য়েনবসিদি চাবা কিবদগী চাদে। নোবাব মেৎপা চারগা তকথবগী ৱাসু লৈরিবনি। হৈয়েন চারগা হৌগৎপা ঙমদবসু য়াওখ্রে। কিহোম চারগা ইতোন ফায়থৈ হায়বা মীসু লৈরিবনি। মসি পূন্নমক লূবা-নানবা ৱাৎপা অমদি মহীক-মতায়গী মরমদা খঙবা ৱাৎপগী ওইফম থোকই। হৈ চারগা রিয়েক্ট তৌবা য়াওনরিবসি হান্ননা হৈদু চাবা ৱাৎপদগী ওইগনি খল্লি। খরদং চাবা, য়াম্না চাবা য়াবা হৈ খায়রিবনি। লফোই চাবদগী এনেমা তৌনবগী ৱাসু লৈরিবনি, হৈ হুরানবগী ৱারী ময়াম অমসু লৈরি। লাই লাৎপগীদমক নোবাব হুরানবা য়াওরকপা নীংশিংলকই। হুরানবগী ৱাখল অদুদি অফবা নত্তে, হৈ চাবগী হৈনবী অদুদি অফবা ৱাখলনি। হৈ মপূ, নোবাব থারিবা মীদুনা অহল ওইরবদি নোবাব হুরানখিবগী নোকপসু থেংনরকই। অঙাংনি খনবা, চানীংবগীনি খন্দোকপা, লাইগীনি খনবা, মমল য়ামদবগীসু ওইবা য়ারিবনি। হৈ চাগদৌবনি খঙবগীদি মান্দে। পোইনুগী লৌবুক্তা লৌ য়ৈবগী নোবাব চাবদু কয়া হাওখ্রবনো, হুমাং তানা শুবা থবকনি, করিসু তৌদে। থবক শুরবদি মহীক চঙদে হায়বা তাবরা?

হৈগী ফেষ্টিবেল হায়বসি হৈ চাবগী ৱা শোয়দনা য়াওরদৌবনি। ফ্রেন্সকী চাক চাদে, হৈনৌ চাই হায়বদু করিগী ওইফম থোকপগে। হৈনৌ চাবা-চাদবা, থাবা-থাদবদু লাইরি, নুমিদাংগী চারাদু হৈনৌনা ওই হায়বসি হৈনৌ কয়া য়াম্না থারমগদগে খন্থবা তাবদুনি। ঐখোয়না তল্লিবা খুত্তন অসিদা হৈনৌ থাবা হৈবা হৌনদে। হৈনৌ চাদ্রবদি হৈনৌগী কান্নবা খঙবা ঙমখিরোই। চম্প্রাসু ঙায়রে, কোল্লাসু ঙায়রে পৈশা পাম্বদগী মমল তাঙলবদি হৈদু শংলগা অদুম ফমদুনা লৈবা মী য়াল্লকপা তাবনি, চাগদৌবা মীনা মশীং হন্থরকপা মশানা তাবদুনি। হৈগী মমলসি কনানা লেপ্পগে?

থায়না হায়বা তারে, 'হৈজাম' হৈ চাবা চৎপা থৌওইনা তৌরম্মী। হৌজিকসু কিহোম চাবা চৎনবা য়াওনরি। চাগে হায়রবদি অঙ্গুর, লিচি, কিৱি, এপল থাবা হৈবা তাবনি। হৈ থাদবা লমদম অমনা হৈ চাবগী হৈনবী লৈবা হৌনদে। হৈ চাবগী হৈনবী লৈত্রবা মীদুদি লায়েংবগী পৈশা তুংশিনবা য়ারে হায়নরিবনি। পংচা চারগনা নাবা তাবদুনি।

হৈ ফাওবা মপান্দগীতা পুশিল্লক্লগা চাগনি খনবা হায়বসিমক হৈ চাদবগী লায়না অমনি। হৈগী ফেষ্টিবেল অমদা ডোক্তরশিং য়াওহল্লগা হৈগী লায়েং অমা চথরকপা ফগনি খল্লি।